# মণিপুরগী মিলন সিংহ, সোরাম পোইরৈনা দিল্লি দাইনামোসতা শান্নবা জোইন তৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ ঃ
মণিপুরী দো মিলন সিংহ অমসুং সোরাম পোইরৈবু দিল্লি দাইনামোসকী দিফেন্সতা অহেনবা মতিং পীনবা অমদি মফম অসিদা লৈরিবা অৱাং নোংপোক লমদমগী ফুটবোল ফেনশিংবু ক্লব অসিগীদমক সপ্পোর্ট ফংনবা মিৎয়েংদা ক্লব অসিদা শান্নবগীদমক খূৎয়েক পীনখ্রে।

সোরাম পোইরৈনা গোলকিপর ওইনা মহাক্কী অহানবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) তা শান্নগনি অদুগা মশক থোক্লবা সেন্ট্রেল মিদফিল্ডর মিলনবু অনৌবা কোচ গিয়ানলুকা জামব্রোট্টানা লাক্লিবা হেরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) তা মৈ ইক্লবা থৌরাং তৌরি।

সেন্ট্রেল মিদফিল্ডর মিলননা দি এস কে শিভাজিয়ন্সতগী লোন ওইনা লাকখিবনি। অদুগা পোইরৈনা নৌনা প্রমোট তৌখিবা আইজোল এফ সিগী মশক নাইবা কষ্টদিয়ন অমা ওইনা মমিং লৈরকখিবনি। মসি মহাক্কী অহানবা ওইনা লৈবাক অসিগী প্রেমিয়র সোক্কর লীগতা শরুক য়াবসু ওইরগনি।

দিল্লি দাইনামোস এফ সিগী কোচ গিয়ানলুকা জামব্রোটানা হায়খি, ঐগী টিমদা সোরাম পোইরৈ অমদি মিলননা য়াওরকপদা অপেনবা পোকই। মসিগী প্লেয়র অনী অসি য়াম্না টেলেন্ট লৈ অমদি ঐনা মখোয়গা থবক তৌমিন্নবা মাঙদা মিৎয়েং থম্লি। মখোয়গী মমিং অসি হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা খন্নদুনা লাকখি। লাক্লিবা সিজন অসিগীদমক ঐখোয়না শাগৎলিবা থৌরাং অসি মখোয়দা মতিক চাগনি হায়না ঐঙোন্দা থাজবা লৈ হায়না জামব্রোট্টানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মিলননা কুমজা ২০১০ দগী মহাক্কী সেনিয়র কেরিয়র হৌরকখিদুনা চহী অহুম পাইলান এরোজদা শান্নখি মতুং মহাক্না চহী অহুম অমগা শিল্লোং লাজোংদা শান্নখি। মদুদগী মহাক্না নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি (এন ঈ য়ু এফ সি) দা অহানবা ওইনা খূৎয়েক পীনখি অমদি মদুগী মতুংদা দি এস কে শিভাজিয়ন্সতা জোইন তৌখি। মহাক্না মহাক্কী প্রোফেসনল কেরিয়াদা গোল ১০ চনবা ঙমখ্রে অমদি ইন্দিয়াগী অন্দর-২৩ সাইদতা তরুক্লক শরুক য়াখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী মে থাদা মশাগী চহী ২৪ শুখ্রবা মিলন সিংহনা হায়খি, ঐনা লীগকী সিজন অমদি শান্নখ্রে অমদি ঐগী হৈশিংবা অসি ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) তা শান্নদুনা উৎপা পাম্মী। ঐনা দিল্লি দাইনামোস এফ সি (দি দি এফ সি) দা জোইন তৌবদা নুঙাইবা ফাওই অমদি ঐনা মসিগী সিটি অসিগা অমত্তা ওইরে হায়না ৱাখলদা ফাওই। ঐহাক মণিপুরদগী ওইজরবসু ঐগী থম্মোয়দি দিল্লিগীদমক লৈরি। মরমদি মফম অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমগী মশীং য়াম্লবা মীওইশিং লৈরি। মখোয়না থোক্লক্তুনা ঐগী টিম অমদি ইশামক সপ্পোর্ট তৌগনি হায়বগী থাজবা ঐঙোন্দা ফাওই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মিলননা মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈগী মরুপ সোরামগা পূন্না দিল্লি দাইনামোসতা জোইন তৌমিন্নগনি। সোরামনা মহাক্কী অহানবা প্রোফেসনল ওইনা পুনে এফ সিদা শান্নখি। মহাক্না চহী অনী শান্নরবা মতুং শিল্লোং লাজোং এফ সিদা শান্নখি। মদুদগী মহাক্না চহী অমা পাইলান এরোজদা শান্নখি। মহাক্না বেঙ্গলুরু এফ সিদা চহী অনীগী লোনদা চৎখ্রবা মতুং অমদি হন্দক্তা লোইশিনখিবা আই-লীগতা আইজোল এফ সিগী য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা শান্নখি।

মসি ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) তা ঐগী অহানবা চহী ওইগনি অমদি ঐনা মসিগীদমক মাঙদা মিৎয়েং থম্লি। ঐনা অসিগুম্বা অচৌবা ক্লব অমদা শান্নবা ফংবা অসি ঐগীদি খ্বাইদগী চাউবা খুদোংচাবনি। অনৌবা কোচকী মখাদা ঐনা খঙদা হৈতবশিং তম্নবগী প্লেটফোর্ম অমা ফংলে অমদি কোচকী মখাদা মশক থোক্না শান্নগনি হায়না মশাগী চহী ২৩ শুরবা পোইরৈনা হায়খি।

# রোনালদিনহোগী গোৱা ফাইভসনা বেঙ্গালুরু ফাইভসপু মায়থীবা পীখ্রে চেন্নাই ফাইভস অমদি কোচি ফাইভসনা দ্রো চৎখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ১৮ ঃ ব্রাজিলগী ফুটবোল লেজেন্দ রোনালদিনহোনা কেপ্টেন ওইরিবা গোৱা ফাইভসনা মফম অসিদা চৎথরিবা প্রেমিয়র ফুটসাল লীগকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা বেঙ্গালুরু ফাইভসপু ৭-২ দা মায়থীবা পীখ্রে অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদা চেন্নাই ফাইভস অমদি কোচি ফাইভসনা ৪-৪ দা দ্রো চৎখ্রে।



মফম অসিদা চথরিবা এন্যুগুরেল ফুটসাল প্রেমিয়র লীগ অসি জুলাই ১৯ দগী ফুটবোল হব ওইরিবা গোৱাদা অমুক চথবা হৌবগা লোয়ননা থাসিগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

রোনালদিনহোনা লুচিংবা গোৱানা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদা অকনবা লম্বা তৌদুনা চঙশিনখিবা মেচ অদুদা গোল চন্নবা এটেম্পশিং তৌখি। মেচ অদু মীয়াম্না য়েংবগী চাং নোংমা নোংমগী হেঙ্গৎলকখি। ফুটবোল লেজেন্দ রোনালদিনহোদা ঙাউজবা অমদি মহাকপু পামজবশিংনা ষ্টেদিয়ম চোন্না থোমজিল্লক্তুনা মেচ অদু অপেনবা অমগা লোয়ননা য়েংখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টরদা রোনালদিনহোনা গোল অনী চনশিনখি। বেঙ্গালুরুসু অহানবা ক্বার্টরদা গোৱাগী মায়কৈদা অকনবা লম্বা তৌদুনা চঙশিনখিবা শাফুদা গোল অমা জোনাথননা চনখি। মতুং তারকপদা বেঙ্গালুরুগী মেক্সিনা অমুক গোল অমা চনশিন্দুনা গোৱাগা গোল মান্ননা চৎখি।

রোনালদিনহোনা মখা তানা মহাক্কী টিমগীদমক গোল অহুম অমগা চনখি। অদুগা রাফেল অমদি ফ্রেন্দসাননা গোল অমমম চন্দুনা বেঙ্গালুরুবু ৭-২ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা চেন্নাই ফাইভস অমদি কোচি ফাইভস অনীনা শান্নখিবদা গোল ৪-৪ দা দ্রো চৎখি।

চেন্নাই ফাইভসকীদমক ফালকাওনা গোল অনী চনখি অদুগা সিরিলোসু মহাক্কী টিম কোচিগীদমক গোল অনী চনখি। মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর অনীদা চেন্নাইনা ৩-২ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুগা দিভেস মোরেস অমদি চাগুইনহানা গোৱাগীদমক গোল অমমম চনখি।

সিরিলোনা অহুমশুবা ক্বার্টরদা গোল অমা চনশিনখি। অরোইবা মেচকী পুংজাদা টিম অনীগী মরক্তা উংখৎনবা লৈখ্রবসু রেফ্রিগী দিসিজন দা নেমথহনখিদুনা টিম অনীমক্না দ্রো চৎতুনা লোইশিনখি।

অমরোমদা দিভস মোরেসনা লুচিংবা কোচি ফাইভসনা মফম অসিগী নেহরু ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা প্রেমিয়র ফুটসালগী নীনি চনবা নুমিৎকী মেচতা রয়ন গিগসকী মুম্বাই ফাইভসপু ৪-১ দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মেচ অমদা কোলকটা ফাইভস অমদি বেঙ্গলুরু ফাইভস অনীনা ১-১ দা দ্রো চৎখিবনি।

মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী লেজেন্দশিংনা শান্নখিবা মেচ অদুবু য়েংনবগীদমক য়াম্লবা মীয়াম্না ষ্টেদিয়ম চোন্না থোমজিন্নখি। ঙাল্লবা ফ্লাশলাইটকী মঙালদা অঙাংবা মচুগী দ্রেসশিং শেৎখিবা কোচি অমদি মুম্বাই অনীগী প্লেয়রশিং খন্দোকপদা মীয়ামদা চমন্নবা পোকখ্রবসু ফুটবোলগী নুঙাইবা ইথিল অদুদি মাঙখিদবনি।

কোচি অমদি মুম্বাই অনীগী মেচ অদু য়াম্না নুঙাইবা অমা ওইখি। মেচকী অহানবা ক্বার্টরদা মুম্বাইনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু গোল চনবদি ঙমখিদে। কোচিনা অকনবা লম্বা তৌদুনা মায়োক্নখিবা সাইদতা চঙশিনখি। মুম্বাইসু হনবা লৈতনা কোচিগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক্তা গিগসনা ওইগী খোঙনা থাজিনখিবা বোল অমা কোচিনা সেভ তৌখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। কোচিসু মুম্বাইগী সাইদতা চঙশিনখিবা শাফু অমদা কোচিগী দিভস মোরেসনা য়েৎ থংবা হাফ কোর্টতগী শাংনা কাওশিনখিবা বোল অমা গোল ওন্থোকখিবনি।

পনবা য়াই, ফুটবোল লেজেন্দ রয়ন গিগস অমদি হর্নন ক্রেস্পোনা লুচিংবা মুম্বাই ফাইভস অমদি কোলকটা ফাইভসনা মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ইরাই নুমিৎতগী চথবা হৌখ্রবা প্রেমিয়র ফুটসাল লীগতা মথংশিংনা চেন্নাই ফাইভস অমদি গোৱা ফাইভসপু মার্জিন মান্ননা ৪-২ দা মায়থীবা পীখিনি।

# এন্দি মরে য়াওদবা ব্রিটেনগী টিমনা মায় পাকখ্রে, ক্রোসিয়ানা য়ু এসপু দেভিস কপ্তা মায়থীবা পীখ্রে

লন্দন, জুলাই ১৮ :দিফেন্দিং দেভিস কপ চেম্পিয়ন ব্রিটেননা সর্বিয়াবু নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা দেভিস কপকী মেচতা ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা অর্জেন্টিনাগা মায়োক্নবগীদমক সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। অতোপ্পা দেভিস কপকী মেচ অমদা ক্রোসিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।



পোলেন্দগী ওরেগোন্দা শান্নখিবা ক্রোসিয়া অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অনীগী মেচ অদুদা ক্রোসিয়াগী বোর্না কোরিকনা জেকসোকপু দিসিসিব মেচতা ৬-৪, ৩-৬, ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। সেমী ফাইনেলদা ক্রোসিয়ানা ফ্রেঞ্চকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

মারিন সিলিকনা জোন ইষ্টনরবু ৭-৬ (৯), ৬-৩, ৬-৪ দা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রিভর্স সিঙ্গলস মেচতা মায়থীবা পীখি। ক্রোসিয়ানা হন্দক সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অসি কুমজা ২০০৯ দা চঙখিবা অদুগী মতুং অহানবা ওইরি। মখোয়না কুমজা ২০০৫ দা দেভিস কপকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

বেলগ্রেটকী টাসমাসদান কিরগো ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা রিভর্স সিঙ্গলসতা কেলি ইমুননা টুসান লাজোবিকপু ৬-৩ , ৬-৪, ৭-৬ (৫) দা মায়থীবা পীদুনা ব্রিটেন্না ৩-১ দা মাঙজিল থানা য়ূম্বু ওইরিবা সর্বিয়াদগী মকোক থোংনা চৎখি।

মশাগী চহী ২১ শুরবা ইমুননা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মহাক্কী ওপনিং সিঙ্গলসতা জানকো ইবসারেবিকপু মায়থীবা পীদুনা মাঙজিল থানা চৎখিবনি। মহাক্না এন্দ মরে য়াওদবদগী টিমবু লুচিংখি।

এন্দি মরেনা মহাক্কী অনীশুবা ওইনা ৱিমব্লেদন টাইটল লৌখ্রবা মতুং দেভিস কপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্না শান্নবা য়াওরোই হায়না ৱারেপ লৌখিবনি। অদুমকপু টিমদদি মহাক্না সপ্পোর্ট তৌখি।

ইমুননা টিম অনীগী লৈরিবা প্লেয়রশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংনা লৈবা প্লেয়র ওইখি। মহাক্না ৱর্ল্ডগী ৬৭ শুবা রেঙ্কতা লৈখি। সর্বিয়ানা মখোয়গী টোপ রেঙ্ক প্লেয়র নোভাক জোকোভিচ অমদি মখোয়গী লৈবাক্কী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ভিক্তর ত্রোইকি য়াওদনা শান্নখি।

অমরোমদা, ফেদরিকো দেলবোনিসনা মহাক্কী ৱিমব্লেদনগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখিবা অদুগী লমন খুম্বা ওইনা ফাবিও ফোগনিনিবু ৬-৪, ৭-৫, ৩-৬, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা অর্জেন্টিনানা ৩-১ দা মায় পাকখিবদা মতেং পাঙখি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা অর্জেন্টিনানা ৩-১ দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। অর্জেন্টিনানা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু মায় পাকখিবা অসিনা চহী ১৪ গী মতুংদা ১১ রক শুবা ওইনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্বা ওইখি। মখোয়গী শান্নগদবা রিভর্স সিঙ্গলস মেচ অমা শান্নদনা তোকখি।

অর্জেন্টিনানা আউটদোরগী ক্লে কোর্টতা ৩-১ দা মায় পাকখিবদা হরাউবা ফোঙদোকখি। মখোয়না ব্রিটেনগা মায়োক্নদুনা সেপ্টেম্বর ১৬ তগী ১৮ ফাওবা দেভিস কপকী সেমী ফাইনেলদা থেংনরগনি।

অতোপ্পা দেভিস কপকী প্লেদা জো ৱাইল্ড্রফ্রাইদ সোঙ্গানা রির্ভস সিঙ্গলসকী ওপন্নিংদা মায় পাক্তুনা ফ্রেঞ্চনা ৩-১ দা মাঙজিল থানা চৎহনখি। ত্রিন্সকী রেঙ্ক এরেনাদা চথখিবা ফ্রাঞ্চ অমদি চেক রিপব্লিক্কী মেচ অদুদা ফ্রাঞ্চনা চেক রিপব্লিকপু মায়থীবা পীখিবনি।

চেক রিপব্লিক্না য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা দেভিস কপকী প্লে অদুদা ফ্রেঞ্চনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা শান্নখি। ফ্রেঞ্চকী নাইস সিটিদা এটেক তৌরক্তুনা মীশি মীনা থোকখিবা অদুগী য়েংলগা মেচ অদুদা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি।

সোঙ্গানা য়ূম্বুগী জিরি বসেরিবু ৪-৬, ৭-৬ (৩), ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা দেভিস কপকী সেমী ফাইনেলগী মফম অমা ফ্রেঞ্চকীদমক কনখি। ফ্রেঞ্চনা চহী অহুম অসিদা অনীরকশুবা ওইনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বসু ওইরে।

ৱিমব্লেদনগী দবল চেম্পিয়ন নিকোলাস মাহুদ অমদি পিরে-হগ হর্বাটনা লুকাস রোসোল অমদি রাটেক ষ্টেপানেপু ৬-১, ৩-৬, ৬-৩, ৪-৬, ৬-৪ দা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীদুনা ফ্রেঞ্চনা ২-১ দা মাঙজিল থাখিবনি।

নুমিৎ অদুদা শান্নখিবা মেচতা রোসোলনা সোঙ্গাবু সেট মঙাদা মায়থীবা পীখি। অমদি লুকাস পৌলেনা পাসলেবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী দেভিস কপকী মায় পাকপগী অহানবা মিংচৎ থম্বা ঙমখি। ফ্রেঞ্চনা দেভিস কপকী টাইটল মাপনলক লৌখ্রে অমদি কুমজা ২০০১ দা লৌখিবা টাইটল অদুনাঅরোইবসু ওইখি। ফ্রেঞ্চনা সেমী ফাইনেলদা ক্রোসিয়াগা মায়োক্নগনি।

# রিও ওলেম্পিক ঃ সাউদি অরাবিয়ানা নুপী এথলেট মরি রিওদা থাগনি

রিয়াট, জুলাই ১৮ : সাউদি ওলেম্পিক কম্মিটিনা কঞ্জার্বেটিব গল্ফ কিংদমগী রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা টিমদা সাউদি এথলেট নুপী মরি শরুক য়াননবা খনগৎলে হায়না ৱাঙাঙলোই অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

শরুক য়ানবগীদমক খনগৎখ্রবা নুপী অহুম অদুদি সারা অল-অট্টার, লুবনা অল-ওমার, করিমান অবু অল-জদাইল অমদি রুজুদ ফামিনি। মখোয় অসি সাউদি অরাবিয়াগী অনীশুবা গ্রুপকী নুপীগী ওলেম্পিয়ন ওইরি।

লৈবাক অসিদা নুপা অমদি নুপীগী খেন্নবা মরক্তা মশক থোক্না নুপী এথলেটশিং খনগৎতুনা শরুক য়াননবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা চমন্নবা ৱাফমশিং থোক্লবসু ওলেম্পিক্কী মিৎয়েংদা খেন্নবা অমত্তা থমদনা শরুক য়ানবা লৌখৎলকপা থৌরাংনি।

থৌরাং অসি লৈবাক অসিগী ওইনা পুৱারীসু ওইহৌরগনি। লৈবাক অসিগীদমক ওলেম্পিক্তা শরুক য়াগদবা এথলেটশিংগী মমিং লাউথোকখিবদা য়াম্না চেকশিনবা থৌওং অমগী মখাদা চথখি।

ওলেম্পিক্তা শরুক য়ানবগীদমক খনগৎখ্রবা নুপী মরি অসি ৱাইল্ড কার্দ এন্ত্রি ফংবদগী শরুক য়াগদবনি। মখোয়গীদমক ফোর্মেল ওইনা ক্বালিফিকেসন ষ্টেন্দর্দ য়েংখিদে হায়না ৱাঙাঙলোই অদুনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, অট্টার অসি লন্দন গেমসতা শরুক য়াখিবা ভেট্রান এথলেট অমনি। মহাক্না লন্দন ওলেম্পিক্সতা মিটর ৮০০ গী লমজেলদা শরুক য়াখি।

মহাক্না রিওদা অতোপ্পা রন্নর অবু অল-জদাইলগা পূন্না শরুক য়ামিন্নগনি। অবু অল-জদাইলনা রিওদা মিটর ১০০ গী লমজেলদা কম্পিট তৌগনি। ওমারনা ফেন্সিং মশান্নদা শরুক য়াগনি। অদুগা ফহমিনা কেজি ৬২ গী মখাগী জুদো ইভেন্টতা শরুক য়াগনি। সাউদি অরাবিয়াদা নুপীশিংনা স্পোর্টসতা শরুক য়াবদা অথিংবমক থমদ্রবসু লৈবাক অদুগী মিৎয়েংদা য়ানিংদবা মোত কয়া ফোঙদোক্লবা লৈরিবনি। মখোয়না স্পোর্টসতা শরুক য়াবদা মতুং কোক্তগীনা ফোঙ ফাওবা উপশিনবা দ্রেস শেৎলগা শরুক য়াননবা খঙহনবসু লৈরি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE STATE MISSION DIRECTOR, ICDS, MANIPUR**
**(Directorate Complex, 2nd M.R. Gate, North AOC, Imphal)**

**NOTIFICATION**
Imphal, the 16th July, 2016

Nos.1/1/ICDS(R&S)-2013: In continuation of this Deptt. letter of even number dated 16th July, 2016, it is hereby informed to all the Candidates applied for the post of Para Counselor and Outreach Worker **under State ICDS Mission Mode** that the Interview/Viva-Voce will be held on 4th August, 2016 at Bal Bhavan, Khuman Lampak, Sports Academy Complex, Imphal. The Interview will start at 9 a.m. sharp.

All the candidates applied for the above post may collect their admit card from Bal Bhavan, Khuman Lampak commencing from 19th July 2016 to 21st July 2016 at 9 a.m. onwards.

*Sd/-* **L. Nabakishwar Singh, IAS**
State Mission Director, ICDS, Manipur

*HL-B/3198/ 18,19*

# এ আই এফ এফনা লৈবাক অসিগী ফুটবোল মশান্নদা অশানবা মিৎয়েং থম্বা হৌখ্রে, মায় পাকপা পাক্তবদুদি য়েংবা তারি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ :
ইন্দিয়ানা মালেমগী ফুটবোল মশান্নদা তৌবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইনবগী মিৎয়েংদা লৈবাক অসিগী নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা শেনিৎলোনগী তৌবা ঙম্বা শক্তিগা চুশিন্ননা চৎপা ঙম্নবা অনৌবা থৌরাং অমা পায়খৎনবা শেম শাখ্রে হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউগী এজেন্সি অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর থাদগী ফুটবোলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা অঙাং মিল্লিয়ন ১১ হেনবনা শরুক য়াগদবা প্রোজেক্ট অমা হৌদোক্কনি হায়রি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফাগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রোগ্রাম অসিগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল অমত্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফোঙদোক্ত্রবসু মিসন ১১ মিল্লিয়ন হায়না মিংথোনগদৌরিবা প্রোগ্রাম অসি ইন্দিয়াগী সিটি ৩০ দা হৌদোক্কনি হায়না পাউ অদুনা মখা তানা রিপোর্ট তৌরি।

চিনাদা সোক্করগী ঈহৌ অসি লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট জাই জিনপিংনা মথৌ ইত্তুনা হৌরকখিবগুম ইন্দিয়াসু মালেমগী ফুটবোলদা মমিং লৈবা লৈবাক অমা ওইন্নবা লৌরক্লিবা থবক থৌরম অসিগী মরুমদা মশক নাইবা মীওই অমা লৈরি হায়রি। ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৬০ গী মতমদা এসিয়াগী মকোক থোংবা সোক্করগী লৈবাক অমা ওইরম্বদগী মনিং হল্লকখিদুনা হৌজিক ফিফাগী রেঙ্কিংদা ১৫২ শুবা মফমদা লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অকনবা মিৎয়েং চঙবা হৌরকপগা লোয়ননা চহী অসিগী মার্চ থাদা শন্দাকখিবা মহাক্কী পূক্নিংগী ৱা (মন কি বাট) দা শুগাইনা ফোঙদোকেখি।

মথং চহীদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা ইরোইননা চিনানা হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতৌ তমদুনা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংনা ফুটবোলবু চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌনবসু শিন্নখিবনি।

পনবা য়াই, চিনাগী প্রসিদেন্ট জাই জিনপিংগী পান্দম অহুম চিনাবু ৱর্ল্ড কপ্তা অহুমশুবা ওইনা ক্বালিফাই ওইবা, ৱর্ল্ড কপপু য়ূম্বু ওইবা অমদি ৱর্ল্ড কপকী ৱিন্নর ওইবা হায়বসি ফংবা ঙম্নবগীদমক মালেমগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাক অসিনা কুমজা ২০২০ ফাওবদা লৈবাক অদুগী অঙাং মহৈরোয় মিল্লিয়ন ৩০ বু ফুটবোলগা মরী লৈনবা হীরমদা মায় ওনশিন্নবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রবনি।

অমরোমদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না লৈবাক অসিগী মীওই মিল্লিয়ন ১.৩ ফাওবদা মশান্না অসিদা পূক্নিং চিংশিন্নবা মিৎয়েং চঙবদা নত্তনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা টেলেন্টশিং অদু মশক মুন্না খঙদোক্নবা গ্লোবেল স্কাউটিং প্রোগ্রাম পায়খৎনবা হোৎনরি হায়রি।

ইন্দিয়াগী হান্নগী টিম কেপ্তেন অমদি স্কাউটিং প্রোগ্রামগী হেদ অভিসেক যাদভনা হায়, প্রোগ্রাম অসি মশাগী টেলেন্ট লৈজবা নহাশিং মশক খঙদোক্নবা পায়খৎপনি। অহিং অমদা মশক থোকপা শান্নরোয় ২০ পুথোকপা হায়বসি ওইথোক্তবনি। থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙমগদবা অদুখক্তা লৌখৎলগা পায়খৎকদবনি। মসিগীদমক হোৎনবদা মাঙজবা অমত্তা লৈতে হায়খি।

সোক্করগী অইবা জেদিপ বাসুনা হায়, মিসন ১১ মিল্লিয়ন অসি য়াম্না শিংথানিঙাই ওইবা পান্দমনি। লৈবাক অসিগী মতিক চারে হায়না লৈরিবা কোচ ৩০০০ রোম্না মশীং য়াম্লবা অঙাংশিংবু করম্না তাকপী তন্বীবা ঙমগদৌরিবনো হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

# আই এ এ এফ ৱর্ল্ড অন্দর-২০ এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী এথলেট ২৭ না শরুক য়াগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ :
চৎলিবা থা অসিগী ১৯ দগী ২৪ ফাওবা পোলেন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা বাইগোজজদা পাঙথোক্কদৌরিবা লেমজনিঙাই ওইরবা ২০১৬ আই এ এ এফ ৱর্ল্ড অন্দর-২০ এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা নুপী মাপন য়াওনা অপূনবা মেম্বর ২৭ না শাবা টিম অমনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগনি হায়না এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই) না লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা এথলেটশিং অসি মখোয়গী পার্ফোমেন্সতা বেজ তৌবা অমদি তোঙান তোঙানবা মিটশিংদা শরুক য়াদুনা আই এ এ এফকী ক্বালিফিকেসন মার্ক য়ৌবশিং অদু য়েংলগা খনগৎপনি। এথলেটশিং অদুনা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা মিটশিংগী মনুংদা ভিয়েটনামদা পাঙথোকখিবা ১৭ শুবা এসিয়ন জুনিয়ার এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অমদি মমাঙ থাদা বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা ফেদরেসন কপ নেসনল জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ য়াওরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপা ১৮ অমদি নুপী ৯ না শাবা টিমনা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট ১৬ তা শরুক য়াদুনা লম্বানগনি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী সেলেক্সন অসি ইভেন্ট খুদিংমক্কী আই এ এ এফকী ক্বালিফিকেসন ষ্টেন্দর্দদা বেজ তৌবনি। মসিদা ইন্দিভিজুয়েল অমদি রিলে টিমসু য়াওরে।


*আই এ এ এফ ৱর্ল্ড অন্দর-২০ এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক পোলেন্দদা থুংখ্রবা জমাইকান এথলেট টিম*

ইন্দিয়ন টিমদা নেসনল রেকোর্দ হোল্ডর জেভলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা য়াওরি। মহাক পোলেন্দগী স্পালাদা পাঙথোকপা ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইরগা মহাক্কী কোচকা লোয়ননা বাইলোজজদা চৎতুনা শরুক য়াগনি। কুমজা ২০১৫ গী এসিয়ন য়ুথকী মিটর ৮০০ গী চেম্পিয়ন বিন্ট সিংহ, কুমজা ২০১৫ গী কম্মনৱেলথ য়ুথ গেমসগী মিটর ৪০০ গী সিলভর মেদলিষ্ট জিস্না মেথিয়ু অমদি মিটর ৮০০ গী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অবিথা মেরি মেন্যুএল য়াওরি।

ইন্দিয়ন টিম অসি পাটিয়ালাগী ট্রেনিং কেম্পতগী দিল্লিদা লাক্কনি অমদি পোলেন্দগীদমক জুলাই ১৭ তা দিল্লি থাদোক্কনি।

লেমজনিঙাই ওইরবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী অপূনবা এথলেট ১৫১৮ (নুপা ৮৩২ অমদি নুপী ৬৮৬) না শরুক য়াগনি। কুমজা ২০১২ দা বার্সেলোনাদা পাঙথোকখিবা এদিসন অদুগী মতুংদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা অসিনা খ্বাইদগী চাউবা অনীশুবা ৱর্ল্ড অন্দর-২০ চেম্পিয়নশিপ ওইরগনি।